থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লীসনা ফাউন্দেসন-পুন্সিগী মশক তাক্লিবা লূপ অমা



ঙরাং, লমতাগী নোংমা পানবা ইরায় নুমিৎ, গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দরদনা ফেব্রুয়ারি ১৬, ২০১৮- থৌরম অমা য়াওরুই। থৌরম অদু ঙসিদগী চহী নিফুমুক্কী মমাঙদা য়ু পিদা এগ্রিকলচরেল সাইন্স তম্মীন্নরকখিবা মরূপ অমখক্কী তাঙনা পোকচবা মচানুপা অমা মনূং মতম চাদনা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা চহী অনীগী মমাঙদা তাইবংপান থাদোকখ্রবা অমগী ৩৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরমনি। লৈখিদ্রবা থৱায় অদুবু নীংশিংদুনা শেম্বা লূপ 'লীসনা ফাউন্দেসন' অমদি 'কোঞ্জেং হজারি লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন' অনীনা খূৎশম্মনা শীনবনি। থৌরমদুগী মরূ ওইবা শরুক্তি লৈকায়দুগী অহল ওইরবা মীওই খরা খনগত্তুনা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপদুনি। অসিগুম্বা থৌরম কয়া - বর্থ নৎত্রগা দেথ এন্নিভর্সরি কয়া, মশীং খঙদনা য়াওখরে। ষ্টেটকী নৎত্রগা নেসনেলগী থাক্তা মমীং লৈরবা কনাগুম্বা অমগী মপোক কুমওনসু নত্তবা থৌরম অসিগী রিপোর্ত অমা, করিগীদমক 'থম্মোয় পাউদম' কাখলসিগীদমক ইরিবনো? মরূপ-মপাঙ অমদি অপাবা খুদিংমক্কা হংবীনিংগদবা অমদি হংলক্কদবা ৱাহংনি। ৱাফমসিমদি শেংদোকহৌবা চুমগনি-তমজগদৌরিবা পাউদমসি, লৈখিদ্রবা ইচাদুগী পুন্সি ৱারী অদু নত্তে, মাগীদমক লীংলিবা ফাউন্দেসন অসিগী থবক-থৌওং অমদি ৱাখল-লীশিং ওইরিবা ফিলোজোফি অদুনা হেন্না মরূনি।

থৌরম অদুগী 'কি-নোত এদ্রেস' অদুদা পনখিবা ৱাহৈশিং অদুদগী খঙই- ফাউন্দেসন অসি মীংচৎ অমদি শেন্দোং তানবগী পান দমদা লীংখৎখিবা নত্তে। তেল্লবা মতম খরদুদা সৌবাম লীসনা, রিশন হায়নসু মীংগৌনবা নহা অসিনা তৌরম্বা থবক, ঙাঙলম্বা ৱাঙাং, লোয়নবা-তিন্নবা-য়ূম্লোন-কৈরোন্নবা মীওইশিংদা পাউখোং-ওই-করি-ওই থোকপা থৌওং-থৌদা কয়া অদু নীংশিংলগা, মাবু করম' নীংশিংশিগে হায়বই থৌশিল অমা ফাউন্দেসন অসিগী মেম্বর-ত্রষ্টিশিংনা ৱারেপ্লখি। লমদমসিদা চৎনরকপা থৌওং ওইনা- কনাগুম্বা অমনা তাইবংপান থাদোকখিবা কুমওন-ফিরোই য়ৌদ্রিঙৈ, মহাক্না তাইবংপান থাদোকখিবা নুমিত্তুবু নীংশিংদুনা থা খুদিংগী অহল-লমন-বৈষ্ণবশিংবু পীজ-পীথক তৌদুনা পেলহনবগী চৎনবী অমা লীশাঙ শীৎনা চৎনরকই। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা, 'লীসনা ফাউন্দেসন'না মণিপুরগী মফম কয়াদা চোইনা চাইনা চলাইরিবা 'কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিংগী য়ুম', 'মরাইবক থীরবী নুপীশিংগী চঙজফম', 'অহল ওইরবা-ওইরবী কয়াগী ওল্ড-এজ-হোম', 'শোইনাইরবা (দিফরেন্তলি এবল্ড) শিংগী য়ুম' শিংদা মখোয়না দরকার ওইবা পোৎলমশিংগী তেঙবাং পীবনচিংবগী থবকশিং লেপ্তুনা তৌদুনা লাকখি। থবকশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা ঙসি ফাওবা চথরি অমদি চথখিগনি।

ফঙ্কসন অসি য়াওরুরবা তুং, অমদি ঐগী লোয়নবদি ফংহৌদ্রবা ইচাদুনা তেল্লবা পুন্সি মতেত্তুদা মাগা লোইনা-তিন্নরম্বশিংগী থম্মোয়দা তাহল্লম্বা মমীশিংগী ৱারী তারুরগা ফম্না ফম্না পুন্সিসিগী মরমদা ৱাখল কয়া খল্লকখি। য়ুমদা হল্লক্লগসু লূপখি ৱাখল ঈপাক্তা। শিবা হায়বসিনা মীওইবগী পুন্সি পন্থুংলা? নৎত্রগা, পুন্সি অমগী অহৌবরা? শিরবা মতুংগী পুন্সি অমা লৈবরা? লাইফ অফতর দেথ - পুন্সি অমা লোইরগা মথঙগী মপোক কৌবা অনৌবা মপোক অমা লৈবরা? ইনকার্নেসন, অনৌবা শায়োন হায়বসিনা করিনো? ধর্ম্মগী ওইবা মীৎয়েংদা ঙাঙনরিবা, ইনরিবা ৱাফমশিংদু মতাঙসিদা পুশিঞ্জরক্লোই। পুন্সি হায়বসি ধর্ম্মগী ৱাংমদা লৈবা করিগুম্বা অমনি। করিগুম্বা ধর্ম্ম অমগী পল্লোন কয়ানা খাজিল্লবা কা অমগী মীহুৎথোঙদই য়েংলবা, পুন্সি মশক খংঙল্লোই। পুন্সি হায়বসি মীওইবগী ৱাহৈ খরগী মতেঙ লৌরগা মশক তাকপা ঙল্লোইদবা করিগুম্বা অমনি। পুন্সি হায়বসিগী চপ-চাবা ৱাহন্থোক লৈবা হৌনদে। লৈরম্লবা করিগুম্বা, তৃমিৎ-কাঙ-শা-ঙাগী পুন্সিগা মীওইবগী পুন্সিগা খেন্নবা অমত্তা লৈরম্লোই। পুন্সিগী মশক নৎত্রগা ৱাহন্থোক হায়বদুদি পুন্সিদুসু শাগোন্নরিবা থৱায় পানবা অদুনা শেমজরক্কদবনি। মতাঙসিদা নীংশিংলকই, অমেরিকাগী কেথোলিক-রাইতর 'থোমাস মর্তন'গী মমীং চৎলবা ৱাহায় অমা ...'ঐহাক ইশা ইথন্তনা ঐগী পুন্সিগী মশক অমদি মমল লেপঙল্লোই, পুন্সিগী অশেঙবা মশক অমসুং মমলদি ঐগা হীংমিন্নরিবা ময়ামদুদা ফংগনি'...। ইচা-ইবুংঙো লীসনানসু মহাক্কী মার্চ ১৯, ২০১৫ (মহাক্না তাইবংপান থাদোক্তুনা চৎলমদাই, নুমিৎ নীনি মমাঙ) গী দাইরি অদুদা ইরম্বা ৱাহৈ পরেং অমা, মাগী প্রোফাইল ব্রোচ্যুর অদুদা ফোঙলম্মী ...'আই এম নোৎ বিইং মাইসেল্ফ, বিইং ইন দিস প্লানেত...' (মালেম কৌবা গ্রহ) প্লানেত অসিদা লৈরগা, ঐ ইশা অসি ঐহাক ওইবা ঙমদরে ...। মপূম ফারবা ৱাহৈ পরেং অমসু মানবা, মপূম ফাদ্রিবা শৈরেং অমগী অহৌবসু মানবা ৱাহৈশিং অসিনা, মশানা মশাবু শক তাকচনবা হোৎনরম্বরা? ইথন্ত খল্লকখিবনি। ... ও ... অঙাং অসি ৱাখল ঈপাক অমদা ঈরাক্লখিদনা, লৈমীন্নরিব-শিংদুনদি খঙখিদবা ...। শিবা হায়বসে পুন্সি হায়বা তাঙলবা মীওইপোক অদুগী খ্বাইদই চাউবা মাঙজবা অদুরা? হংই ঐখোয় মীওইবনা। চপ-চাবা, অচুম্বা পাউখুম অমা পীবা ঙমদ্রবসু কনামত্তনা, ঐদি খল্লি, খ্বাইদই চাউবা মাঙজবদি পুন্সিগী অরোইবা মীকূপ অদু নত্তে, অহিংবা ওইনা লৈরিঙৈ পুন্সি অদুদা 'হিংনা হিংনা তপ্না তপ্না শিখিবা মীকূপশিং' অদুনি। হিন্দি সাহিত্যদা 'জিন্দা-লাস' (হিংলিবা অশিবা হকচাং) হায়বদু, ইচম চম্না সাহিত্যদতা শীজিন্নবা ৱাহৈ ওইনা খল্লম্মী। তশেংবদি ওইরম্মী - হিংবই কান্নবা লৈত্রবা, মালেম লূম্নবা পোকপা-মী।

পাউদম অসি ইবা মীকূপ অসিদা কন্না ৱাখল লম্মুক্লরি - হিংবা অমদি শিবা, করি খেন্নে অনীসে? শিখ্রবা মীসু হিংবরা? শিখ্রবা মীগী পুন্সিদি অহিংবা মীগী থম্মোয়দনি, মখোয়গী নীংশিংবা মরক্তনি। লীসনা ফাউন্দেসন্না পাঙথোকপা, লীসনাগী ৩৪ শুবা মপোক কুমওন য়াওরুবদই খল্লকই - পুন্সি হায়বা অদুনা, থৱায়পানবই থৱায় হাপ্লিবা তুরেল ঈচেলগুম্বনি, শিবা হায়বা অদুনা, তুরেলগী ঈতিনফম ওইরিবা পাল্লবা ঈপাক (সমুদ্র) অদুনি। অনী অসি অমত্তনি, অমনা অমবু কৈদৌনুংদা থাদোক'ঙমদ্রবা।

লৌশিং পুক্কৈ

# মরুপ মপাং তীন্নবনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবশিং

মী ওইবনা অয়াম্বা মতমদা নাইতোম তরক-তরক লৈববুদি মরুপ মপাংগা তীন্নদুনা লৈবনা হীরম কয়াদা কান্নবা ফংই। মরুপ-মপাং তীন্নবনা হকশেলদা য়াম্না চাউনা কান্নবা পী হায়বা অখঙ-অহৈশিংনা থিজিনবদগী খঙবা ঙল্লে।

মরুপ হায়বসি অৱা-নুংঙাই মীৎকুপ খুদিংমত্তা শরুক য়ামিন্নরিবা মীশক অদুবুনি। মীওইবনা ইথন্তা নাইতোম লৈবা মতমদা অৱাবা- নুংঙাইতবা ৱাখল ময়াম অমা খল্লকপা মশানা তাবনি। মতমদুদা অৱা নুংঙাই শরুক য়ারদুনা পূক্লিং-থৌনা হাপ্পীরিবা পুন্সি লম্বীগী অশেংবা মায়ওন তাকপীরিবা মীশক অদু মরুপনি। অদুনবু হায়নরিবনি মীওইবদি নাইতোম লৈবা খক ঙমদে। নোংমত্তং ওইরবসু মীওইবনা অতোপ্পা কনা য়াওদনা নাইতোম হিংবা মতমদা অসুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লে। মসিদগী ওইবা তাই মীওইবনা ৱাখল মান্নবা মশেল পুনশিল্লগা মরুপ মপাং হায়দুনা তোৎন-তীন্নবগী হৈনবী অমা থম্নরক্লিবসি।





হীরম অসিদা থিজিল্লিবা অখঙ অহৈশিংনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমা পুন্সিদা অৱাবা মায়োক্লরকপা মতমদা মরুপ মপাংশিংগা লোয়ননা লৈরবদি অৱাবগী চাং খরদং ওইরবসু হন্থখি। তাইবঙসিদা অৱাবা ৱারী তাবীনবা অমসুং অৱা নুংঙাই শরুক য়ামিন্নবা কনাগুম্বা খরদি লৈরিবোইরে খল্লুবদা মীপুম খুদিংমক্কী ৱাখলদা চাউথোকচবা অমা শোয়দনা পোক্কনি। মরম অদুনা মরুপ মপাং তীন্নবা হায়বসি মীওইবা খুদিংমক্কীদমক য়াম্না মরুওইবা থৌওং অমনি। অদুবু মীওই অয়াম্বনা মরম অমা নৎত্রগা অমদগী পুন্সিদা চান্নবা মরুপ থম্বা ঙম্নদে। পুন্সিগী মরুওইবা শিন্থা কয়া পাঙনবা হোৎনবদা মতম কাইথোকপা ফংদবদগী মীওই অয়াম্বা মরুপ মপাং ওইবগী মরী শেমগৎনবা হোৎনরুদে। মসিগীসু মথক্তা অৱা নুংঙাই শরুক য়ামিন্নগদবা অশেংবা মরুপ হায়বসি পাক হেক থীবা ঙমদে। মরুপ মপাং লোয়নবা হায়দুনসু কান্নদবা ময়াম অমা খঙনবগী মহুত্তা মগুন লৈবা অমা অনীখক তরক-তরক লোয়নবদুনা ফবা হেল্লি।

ফিলাদেলফিয়াদা মেন'স রিছোর্চ গ্রুপ অমা লৈরম্মী। মফমদুদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওইশিংনা পুল্লগা অৱা নুংঙাই শরুক য়ামিন্নবগী খুদোংচাবা ফংলম্মী। তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওইশিংবু কাঙলুপ কয়া থোক্লা খায়দোক্লগা উনহনবা মতমদা মশা-মশাগী হান্না লৈজরম্বা অৱাবগী চাং হন্থখিরম্মী।



অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ পেন্সিলভেনিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াট্রিদা ওজা ওইবা গার্ফিল্ডনা তোঙান তোঙানবা চহী মতাংদা লৈবা মীওই ৩৮০ গী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। হায়রিবা মীওইশিং অদুনা মরুপ মপাং লোইনবগী মওং, লৈকায়গী থৌদোক ৱাথোক য়াওবা অমসুং মশা মথন্তা নাইতোম লৈবগী থৌওং পুম্নমক কুপ্না য়েংশিনখি।

অয়াম্বা মতমদা মরুপ মপাংগা লোয়নবা অমসুং লৈকায়গী থৌদোক ৱাথোক্তা শরুক য়াবা মীওইশিং মশা-মউ ফৈ অমসুং পুন্সি শাংই হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি। হীরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙদ্রবসু অয়াম্বা মতমদা মরুপ মপাং তীন্নদুনা মীগী অৱাবদা শরুক য়ারবদি ইশাগী অৱাবা কাউথোকখিবা মরম্না হকচাং ফহনবা ওইরমগনি হায়রি। অদুম ওইনমক চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা মখা তানা থিজিনগদবা ৱাৎলি।

# নিংঙোলশিংনা মৌ ওইরকপগী নুপীগী মশক উৎলিবা লিলা শাগৈগী লন উৎখ্রে



নোমিতা খোঙবান্তাবম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি১৬(ঐচ এন এস):

নিংঙোলগী পুন্সি হায়বসি অহোংবা নাই। নিংঙোলশিংনা য়ুম্নাক শাগৈ হোংদুনা মৌ ওইনা লৈরকপা নুপীগী মপোকপু উৎলিবা অমসুং য়ুম্নাক শাগৈ অমদা ওংলক্লবী মৌ ওইরবী অমনা পোকচবা মচাদুনা শাগৈ অদুগী লননি।

নিফুতরুকশুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল, পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীনা শীন্দুনা চথরকপা নুপা শুমাং লীলাগী ১১ নি চনবদা অপুনবা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *শাগৈগী লন* মীংগৌবা লীলা উৎখ্রে।

লীলা অসি লাই হেমন্তনা ইরগা লমজিং লমতাকপনা ককচিং বিরমঙ্গলনি। লীলা পুথোকপা শুর হৈখাম অমসুং দিরেক্তরদা তোম্বীসনানি।

লীলা অসিগী শন্নপ্পা ৱারীদি, খোমদোন শিজগী মচানুপা ইবোসনা অমদি মমৌনুপী মতৌ লৈবীগী মচা ফঙগদৌরে হায়দুনা হরাওবা, নুংঙাইবগী মীনোক্লা ইমুংদুদা নুংঙাইবা ওইখি। মশু ফঙগদৌরে হায়বগী ৱাখলদা খোমদোন শিজ নুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈরমদে। মশু ফঙগদৌরিবা অসিনা মরম ওইরগা মচানুপাবুসু এম সী এসতা প্রমোসন ফঙলে হরাওজে। অদুবু লাইবক থিবা থৌদোক অমদগী অঙাং অদু কায়খি। মসিনা মরম ওইরগা অমুক হন্না মশু ফঙবগী খুদোংচাবা লৈররোই হায়বা দাক্তরগী পাউদা মনেম ওইরিবীগী থম্মোয় কায়খি। মসিগুম্বা তাঞ্জাদা মচা থোকপা খোমদোন শিজগী মনাওনুপীগী মচা অঙম্বা থুংলখি। ইমুং অসিদা লৈনেনবগীদমক্তা লাকখিবা অসিনা ইমুং কায়ননবগী মশক ওইরকখি।

মচা ফঙলরোই হায়বগী ৱাখল্লোনদা ফোঙদোমস্নাদা লন-থুম লৌথোক্লবা চীনগাইৰা কয়াগী লাল্লোং চথরকই। অপোকপা নৎত্রবসু মচা ওইনা লাক্লিবা অঙম্বগী ওইদবা কয়াদা থাজদুনা মমৌনুপী মতৌলৈবীবু ওৎপা নৈবা হৌরকখি। মসিদসু নত্তনা অতোপ্পা নুপী অমগা লুহোংনবা শিনবগী মীংদা শেল লৌথোক্লবা হোৎনৈ। মমৌনুপী মতৌলৈবীবু য়ুমদগী তান্থোক্লবা হোৎনখি। অদুবু মতৌলৈবীগী মপুরোইবা ইবোসনানা মতৌলৈবীবু চেৎনা নুংশিজবা মরম্না থাদোকপা ঙমখিদে।

ইমুংগী হোংলক্লিবা লাল্লোং কয়াদুনা মরম ওইরগা মতৌলৈবীবু পুদুনা সনাহলনা নুপী মপামদা মতম খরা লৈখি। মতম অসিদা মাগী নুপী মতৌলৈবীগী মনাওনুপী থাইবেমগী মপুরোইবা দাক্তর পোইরৈগা তান্নদুনা মমা ওইহনখি। শাগৈগী মমৌ ওইনা লাক্লবী অদুনা মচা য়াওরক্ত্রবদা শাগৈ মুৎলগনি হায়না খল্লম্বা অদু অরেম্বা তাখি। মচা সনাহল অমসুং মমৌ মতৌলৈবীনা পোকচবা মচা অদু মনেম খোমদোন শিজদা মশুনি হায়দুনা শীন্নখিবা লীলাদা য়ুম্ফম ওইবা *শাগৈগী লন* মীংঙ্গৌবা লীলানি।

লীলাগী খোঙজেল য়াঙনা চৎলি। লীলাগী ওইবা রিদমদা য়াওন্নদুনা চৎলিবা লীলা অমসু ওই হায়না লৌগনি। পীরিবা কেরেক্তরশিংদা লীলারোইশিংনা মপুং ফানা থৌদাং পুবা মরম্না অয়েংবশিংদা হেন্না পুক্লিং চীংশিনবগী মমী তাই। লীলাগীদমক্তদি মায় পাক্লা চৎলি হায়বা তাই। লীলারোইশিংদা হেন্না দিভলপমেন্ট লৈনা শান্নবা লীলা ওইরে।

লীলা অসিদা নুপাগী শত্তুম লাংখিবশিংদি, দি এস পি নিংথেম মতৌলৈবীগী অপোকপগী শক্তমদা ককচিং বিরমঙ্গল, অঙম্বগী শক্তমদা চৌরজিৎ লংথবাল, অমুগী শক্তমদা হেম্পী রাজেন, ইবোসনাগী শক্তমদা চীংলেন, দাক্তর পোইরৈগী শক্তমদা দোরেন লাংমৈদোং অমসুং পুলিস কন্সটেবল অমদি লোয়নবা অমদা লৈশেম্বনি।

লীলা অসিদা নুপীগী শত্তুম লাংখিবশিংদি, খোমদোন শিজগী শত্তুমদা বিরেন পোৎশংবম, থাইবেম্মগী শক্তমদা জেমস অমসুং মতৌলৈবীগী শক্তমদা কে নরেসনি।

নুপী খোঞ্জেলদা শৈশক্লিবা নিরঞ্জন অমসুং নুপা খোঞ্জেলদা শৈশক্লিবা মঙ্গিনি। পেনা অমসুং ভাইওলিনদা অমুথোই, পেদ ড্রমদা টিকেন, গীটরদা তোম্বীসনা, তবলাদা বিশেশ্বর অমসুং ওর্গানদা আর কেনি।

নুপা শুমাং লীলাগী ১২ চনবা ফেষ্টিবেলগী অরোইবদা, পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী লীলা *থরোই অহাম্বে মহাও* হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা উৎকনি।

# ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মীওই অহুম ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি১৬(ঐচ এন এস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন (লেৱা) লমদিং খুমন্থেম লৈকায়না ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা চথরকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ক্লব অসিগী থৌমীশিংনা দ্রাইব চথবদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মীওই অহুম ফারে হায়রি।

লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি, ৱাংজিং সোরোকখাইবম লৈকায়দগী শগোলশেম চাউবা (৬৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা মাইনু, খোঙজোম কৈথেলদগী লাংপোকলাকপম নিমাইচান্দ (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল সনাজাওবা অমদি সলুংফম ময়াই লৈকায়দগী ফুরিৎশাবম ননাও (৩২) অপোকপা ফুরিৎশাবম য়াইমনি হায়রি।

মীওই অহুম অসি ফাগৎলবা মতুংদা য়ুমগী অহল-লমনশিং কৌরবা মতুংদা মখোয়বু ও এস দিগী লায়েং চথবা হায়না য়ান্নরবা মতুংদা য়ুমগী মীওইশিংদা শীন্নখি হায়রি। ক্লব অসিনা চথরিবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী খোঙজং অসি মখা তানা চথখিগনি। মরম অসিনা লমদম অসিগী মীয়াম্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন (লেৱা) না চথরকপা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী খোঙজং অসিদা মতেং পাঙবীয়ু হায়রি।


# ২০ শুবা সী এ সীগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি১৬(ঐচ এন এস):

থা অসিগী ১৫ দা অসামগী গুৱাহাটিদা লৈবা সর্কিট হাউসতা ইনিদয়া গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্টনা শীন্দুনা ২০ শুবা সেন্ত্রেল বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱারকর্স এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা কম্মিটি অসিগী মেম্বর খুদিংমক্না মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱারকর্স ৱেলফেয়র বোর্দকী চ্যেয়রপর্সন এস প্রিশ্বরজিৎ শর্ম্মগী মীৎয়েং মখাদা বোর্দ অসিনা ষ্টেট অসিগী শিন্মীশিং অমদি লাইরিক লাইশু হৈরবা থবক ফঙদ্রিবা নহাশিংগী ৱেলফেয়রগীদমক্তা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা অপেনবা পোকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোক্লখ্রে।

লম্ফেল দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা এম বি সী দব্লিউ বিগী চ্যেয়রপর্সনগী ওফিস কাদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এস প্রিশ্বরজিৎ শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা, সেন্ত্রেল বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱারকর্স এদভাইজরি কম্মিটি (সী এ সী) গী চ্যেয়রমেন্ট ভি শ্রীনিভাসা নাইদুনা চ্যেয়র লৌদুনা থা অসিগী ১৫ দা পাঙথোকখিবা কম্মিটিগী চহীগী ওইবা মীফম অদুদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী ওইনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱারকর্স ৱেলফেয়র বোর্দকী চ্যেয়রপর্সনশিং, সেক্রেটরিশিং অমদি চীফ ইগজিক্যুটিব ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা চহী চহীগী ওইনা রেজিষ্টর তৌরকপা বিনিফিসরিশিংগী





মশীং, মিনিষ্ট্রিদগী বিনিফিট ফঙখ্রবা শিন্মী মশীং, চহীগী ওইনা লৈঙাক্না থাদরক্লিবা ফন্দগী চাদিং তৌখিবগী রিপোর্ট লোয়ননা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বোর্দশিং অসিনা শিন্মীশিংগীদমক্তা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং পুথোক্তুনা খন্ন নৈনখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ষ্টেট অসিগী থবক ফঙদ্রিবা নহারোলশিংবু থবক পীদুনা মখোয়গী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগীদমক্তা পায়খৎলিবা লেবর ওরিয়েন্টেদ স্কীমশিং অমদি প্রোগ্রাম কয়াগী মতাংদা মীফম অদুদা পুথোক্তুনা খঙহনখি। মসিদা নত্তনা মীফমদুদা শিন্মীশিংনা অনা অয়েক য়াওরকপা, অঙাং উনবদা পীরিবা বিনিফিটকী শেনফম অসি হেনগৎপীনবা অমদি শিন্মীশিংনা এক্সিদেন্ট থোকপা মতমদ। চাদা ৬০ মশা পেরলাইজ তৌদুনা থবক শুবা ঙমদ্রবশিংদা পেন্সনগী শেনফম খরা ফঙহন্নবা ৱাফমশিংসু পুখৎতুনা খঙহনখি হায়রি।

ষ্টেট অসিগী লৈরিবা ৱেলফেয়র বোর্দ অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরম অসিদা সী এ সীগী চ্যেয়রমেন্ট ভি শ্রীনিভাস নাইদু অমদি কন্সত্রক্সন ৱারকর্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি দেবানজান চক্রবতি মশা য়াওনা অতৈ কম্মিটিগী মেম্বর খুদিংমক্না পেনবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোক্লকখি।

মসিদা নত্তনা শিন্মীশিংনা অনা অয়েক য়াউরকপা, অঙাং উনবা, এক্সিদেন্টনচিংবা থোক্লকপা মতমদা শিন্মীশিংনা ফঙলিবা বিনিফিটকী শেনফমশিং হেনগৎপীনবা হায়জবা ৱাফমদুসু হেনগৎকে হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়রি। অমরোমদা কুনলক পাঙথোকখ্রবা সী এ সীগী চহীগী মীফম অসিদা শরুক য়াবা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা অহানবনি হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা মমাংদা মীফম অসিদা ষ্টেট অসিদগী মীহুৎ অমত্তা শরুক য়ারমদবদা মহাক্না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱারকর্স ৱেলফেয়র বোর্দনা ষ্টেট অসিগী থবক ফঙদ্রিবা লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহাশিং অমদি শিন্মীশিংগীদমক্তা হৌজিক পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা ৱেলফেয়র স্কীমশিং অসি মখা তানা পাঙথোক্তুনা শেন্মীৎলোনদা মীপান তাংদবা ষ্টেট অমা পুরক্লবা মখা তানা হোৎনখিগনি। মসিদা মীয়াম্নসু কো-ওপরেসন পীবীয়ু হায়না আপিল তৌখি।

# 'পুং ৪৮ গী টোটেল সটদাউন মরম চাদে'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি১৬(ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর হিল এরিয়া দি পি সী কমপ্লিটেদ রি-রিক্রুটমেন্ট কেন্দিদেট ওফ মণিপুর কন্সটেবল মেল ২০১৬ (কে জয়ন্ত) বেটচনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী থা অসিগী ১৮ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা চীংগী এরিয়াদা কৌরিবা টোটেল সটদাউন অসি মরম চাদে, হন্দোকপীয়ু হায়না মণিপুর পুলিসকী আই জি পি (এদমিনিষ্ট্রেসন) আই কে মুইভানা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিস হেদ ক্বার্টরদা লৈবা আই জি পি (এদমিনিষ্ট্রেসন) আই কে মুইভাগী ওফিসতা ঙসি নুমিদাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা মণিপুর পুলিস কন্সটেবল রিক্রুটমেন্ট অমসুং কুমজা ২০১৬ দা পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্টগী মতাংদা মণিপুর হায় কোর্টতা কেশ অমা লৈরি। কেশ অসিগী মতাংদা কুমজা ২০১৫ গী ওক্তোবর ১৩ দা কোর্টনা রিক্রুটমেন্ট অসিগী রিজল্ট লাউথোকপা য়াদনবা ষ্টে ওর্দর থোকখি। লোয়ননা রিক্রুটমেন্ট অসিগী মতাংদা জষ্টিস এন বিনয়কুমারনা লুচিংবা ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎপগা লোয়ননা মদুগী রিপোর্ট কোর্টতা লানখৎখ্রে।

কেশ অসিগী মথংগী হিয়ারিংনা থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্লবসু কোর্টনা লেপখিবা লৈখ্রবনি। রিক্রুটমেন্ট অসিগী মতাংদা হৌজিক কোর্টতা কেশ লৈবনা ফল লাউথোকপা, লাউথোক্তবা হায়বসি কোর্টকী খুৎতা লৈখ্রে। হৌজিক ষ্টেট গভর্নমেন্টনা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙমদে। কোর্টনা পীরকপা রায় অদু লৈঙাক্না ইনগদৌরিবনি হায়খি।

কেশ অসি কোর্টতা লৈবনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী থা অসিগী ১৮ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা কৌরিবা টোটেল সটদাউন অসি মরম চাদে, খুদক্তা হন্দোকপীয়ু অমসুং মীয়াম্না খোঙজং অসি শৌগৎপীগনু হায়রি।

# লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি১৬(ঐচ এন এস):

লিন্থোই চনুনা ইবা *দি টেলস ওফ কংলৈ থ্রোন* কৌবা লাইরিক অমা ঙসি খা নাওরেম লৈকায়, কাঞ্চিপুরদা লৈবা ইবোতোম্বী ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসনগী ওদিটোরিয়মদা হৌনবী মতুংইন্না লাইরিক ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা ইন্টরনেসনল জেনরেল সেক্রেটরি (সী টি ঈ) প্রো. নিলিমা ভৈগ্যবতি, ইবোতোম্বী ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসনগী প্রিন্সিপাল ডা. আর কে সনাজাওবা অমদি থবক্তগী পোথারবা আই এ এস, ডা. আর কে নিমাইনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।